# ৱারী মচা

## লাল

### ইমোজিৎ নিংঙোম্বম

থৌঙম্বনা থোঙদু থীল্লুরিবদু লেপ্পমখৈ লেপ্পবা মতুং কাইনথংদনি।

থোঙ কাক কাক থীল্লকপদু মতম চাদে খন্দুনা সনাহল হৌগত্তে। মপান্দগী খোঞ্জেল অমা অমুক তারকপা ঙাই। অমুক কাক কাক থীল্লকই অফিং অফাই মান্না। ফুক হৌগৎলি কাশিং অমদি মপানগী মৈ থানগৎলগা থোঙ হাংদোক্লুই মমাঙদা লেপ্পল্লিবা চাউ-শাংলবা, ইনখৎলক্লিবা, থৌনা লৈবা মানবা াক্তমদো হান্না তৌরবসু নীংশিংবা ইঙম ঙমদে। থাবলগী মঙালগা ইলেক্ট্রিক মঙালগা ইয়ান-য়ানশিন্নরবা মরক্তুদা সনাহল মপূক্লীং তয়াং-তশোইরকই।

থৌঙম্বগী মোং-হাদবা মতৌদুদা ৱা-লাং অমত্তা হৌদোকপা ঙমদে সনাহল। পাখৎপদুম পোল্লককই। ফিভমসিদা থৌঙম্বনা ইম্বোক্লা মোংহাদনা হংলকই, "য়াম্বুং, ঐ মনূংদা চঙবা য়াগদ্রা?"

ইঙ্গিৎ ফংলবা তুংদা কা মনুংদা চঙশিনখ্রে। সনাহলসু মতুং ইল্লকই। হাংলিবা থোঙদু তপ্পা থীংজিল্লম্মী সনাহল।

কা মনুংদা ৱাখল খরা চাউথোরকপগুম সনাহলনা তপ্পা হায়রকই,

"ইবুংঙোবু উখ্রবগুম তৌরে, নীংশিংবদি থোক্ত্রে।"

"ঐ থৌঙম্বনি। য়াম্বুংনা য়াওবীরম্বা নীংতম লান্মীশিংদুগী মরক্তা অমনি ঐসু।"

সনাহল খংপ্রেক খংঙি। মখোয়গুম্বা কয়াগা লোয়নদুনা লাকখ্রবসু মাবু উবদা ঙসিদি লৈতাফম খঙদে। অমুক্কা হেন্না তানফম অসিনা মাবু চিংনবা পোকহল্লি। শিবা কিদবা মানবা নহাসিগী মমাংদা মায়োক্লনা লেপ্পা ঙমদে। মরাল লৈবগুম মশাদা ফাওজে। সনাহলগী মরাল লৈরম্বা য়াই, মদুগীদমক ফুম্বংনরকই। নহাসিগী নুংদা ওমদুনা চাক্লিবা মৈচাক্তু করি ওইরমগদগে খম্বরুবদা সনাহল মমায়দা হুমাং মরিক -মরিক কারকই। অদুবু সনাহল মাগী পূক্লীংবুসু লাকশিঞ্জে। নহাসিগী মায়থোংবু মুন্না য়েংলুরবা মতুংদা হংলকই,

"ইনাউনা ইফমদগী করি মতেং পাম্মী?"

থৌঙম্বা, খুল্লুদে। হংলক্লিবা ৱাহংসিদা ৱাহং অমসুং পাউখুম অনীমক য়াওরবনি হায়না থৌঙম্বনা খল্লি। মসিদা মাগী অরোৎপা খুদিং খঙননবা থৌরাং তৌরক্লিবনি খল্লি। হংলক্লিবা ৱাহংসে থৌঙম্বা য়ানিংদে। য়ানিংদবসি করিনো অমনা তৌদুনা খঙহন্নিংই। থৌঙম্বনা মানা লীৎলকপা অচৌবা ওভরকোটতুদগী ঙসাইমখৈ হুন্নম্বা মখূত্তো লৌথোক্তুনা য়ান্না চেকশিন্না ওভরকোটতু লৌথোকই। মশাদো ইম্বোক্লা ৱাই শংজরবগুম উহল্লি। সনাহললোমদা অমুক চেকশিন্না য়েংলকই। ফিভমসিদা অমুক সনাহল মানা হংখিবা ৱাহংগী পাউখুম ঙাইরুদনা হায়রকই,

"পুন্সীসে নীংতন্না হিংবা পাল্লুবনি অদুবু ইশাগী অশোনবনা নীংতন্না নাম্বোকচবা ঙমখিদে। ঐ অশোনবা মী ওইনিংখিদে অদুবু য়ান্না শোল্লি। নঙোন্দা ঐনা মতেং পাংগে হায়রুরিবসিমক নঙনা ঐগী অশোনবনি খল্লমমগনি। ঐ ইশাবু খঙজরে, হৌজিক্তি কনাগীসু মতেং পাংবা ঙম্নরোই- ঐ য়ান্না শোল্লে।"

থৌঙম্বা মুন্না তায়। মানা পাল্লম্বদুগা তায়োন্নবা মতৌ উরকপদা মফমদুদগী মানা পাল্লম্বা পূন্নমক থাদোক্লন্নগা চৎখ্রসিরা খল্লি। অদুবু, অমুকসু থাদোক্তুনা চৎখিবা ঙমদে। চপ চাবা ফিরেপ অমা ফংলগা হনখিগে খল্লি।

অথাপ্পদা হূইশিং তান্ন-তান্ননা খোংবা তারকই, অনীমক মুন্না য়েংনৈ। ৱা ঙাঙনদে। অহীংসিদা সিফাই ময়াম পেত্রোলিং চৎখিবগী মখোল য়ান্না নক্না তাই। থৌঙম্বা ফুক হৌগৎলি। নাকন্দগী তওভরকোটতু তাপ লৌখত্তুনা খোঙলোমদা খোঙকাপ খরা চৎলি। মতৌদুদা সনাহলসু ফুক হৌগৎলকই। থৌঙম্ববু খান্নগা হায়রকই,

"চৎখিনু। মদু নঙগী লম্বী নত্তে। খুদোংথীবা পূম্বা ঐগা হান্না মায়োক্লগনি। নঙগী পুন্সীদা খুদোংথীবা নংহন্নিংদে। নঙগী পুন্সীদো মমল য়াম্মী।"

অসুক শোল্লি হায়জবা সনাহলগী থম্মোময়নুংদগী থোরকপা ৱাহৈশিংসিদা অঙকপা মিত্রং অমা য়াওবগুম থৌঙম্বা চপ লেপ্পী। কদোমদগীনো অহেনবা থৌনা খরসু মাগী চাউ-শাংলবা মশাদা ফাওরকই। শৎ লৈশিল্লকতুনা সনাহলগী মায়থোংদা য়েংঙি। মায়থোংদো ইরং লংলম্মী। য়েংবদা য়ান্না নুংঙাইরম্মী। মদু নাপল অমা য়াওরিবনি হায়না থৌঙম্বনা খল্লি। মা মশাগীসু নাপল লৈজরিবনি অদুনা থাংদোক্লুরবা খোঙথাংশিং হজিল্লকই। থৌনাগা লোয়ননা হায়রকই, "য়েক্লবদি ঐগা হান্না মায়োক্লগনি।"

মী লাকপগী শমিন ফংবদা অনীমক মশাবু চেকশিন্না অকোয়বদা কোইলৈ লৈদুনা য়েংঙি। থংনবা কাদুদগী নুপী অমা চঙলকই।

চঙলক্লিবদু সনাহলগী নুপী বিমোলানি। ঙসাইমখৈ মবান্নীগী ৱারীদো কনাসু তাদে খল্লম্বনি, তাহনবসু পাল্লমদবনি। অদুনবু সনাহল ইমুংগী মীওই কনামত্তা তাক্লমদনা হৌগৎলকপনি। থাজদনা বিমোলাবু উবদা সনাহল অশাঙবা শ্বর মপী অমা হোন্দোক্তুনা মুরুম-মুরুম শোল্লকই, "নঙ ওইরে।" থৌঙম্বদা অমুক ওনশিন্দুনা হায়রকই, "ঐগী নুপীনি। নঙগীনা নতৈমা।"

মখোয়গী মরক্তা লৈনবা ইকায়খুন্নবা সনাহল কাউদ্রি। থৌঙম্বসু মদুমক উৎফম থোকই খল্লি। নোকমি-নোকমি চঙশিল্লক্লিবা মঙোন্দা মখূৎ অনী লোন্নদুনা খুরুম্বগী ইঙ্গিৎ তৌরগা মশাবু চাউথোক্লা শক্তাকচৈ। শক্তাকচবদুদা থৌঙম্বা মশাগী অচৌবা নাপল অমা য়াওরি। নাপলসি মকা ফোঙহন্দ্রবসু মাগী তৌথোরকপদা খরদি উৎ থোক্লবা হোৎনরিবনি। সনাহলগী নুপীগী মাঙসিদদি অমুক্কা হেন্না উৎথোক্লবা শেম শারি।

সনাহল থৌঙম্বদা মুন্না য়েংঙি। মঙোন্দা য়েংবদা নুংঙাইবা পোকই। নুংঙাইবদুনা মশাবু অমুক হেন্না শোম্বরকই ঙসিদি। থৌনা লাকপা করিগী ঙমদ্রিবনো ভাব তাদে। বিমোলাবু য়েংলগা হায়রকই,

"বিমোলানা ঐগী পুন্সীবু অহানবদদি য়ান্না শেম্বহল্লম্মী অদুবু ঙসিদি ঐতনা শোঞ্জরে। মানদি থৌনা য়ান্না পীরে। মাগীদি থৌনা য়ান্না লৈরে। ঐদি মাগুন্না থৌনা ফবা ঙমদ্রে।"

হায়রিবশিংদো থৌঙম্বা ভাব তাবা ইঙম ঙমদে। থৌঙম্বা মশাগী উৎথোক্লুরিবা নাপলদো কান্নদবগুম খল্লকই। সনাহলনা হায়রক্লিবশিংদো মমল লৈনা লৌবা ঙমদে। বিমোলারোমদা য়েংলুই। মঙোন্দা মুন্না য়েংদুনা লৈরম্বা বিমোলা উবদা মাগী নাপলশিংদুগী মহৈনি হায়না মশানা খঞ্জে।

বিমোলাদি হান্নগী হান্না অন্ধানি, থৌঙম্বনা মঙোন্দা পুক্লীং চঙলক্লে খঙবদুদা য়ান্না ইচঙ থৌনা হায়রকই,

"ইবুংঙো থৌঙম্বদি অশেংবা নীংতম লান্মীনি। মায়থোংদা অশেংবা নীংতম্বগী ঈ চেনবা উই।"

থাজদবা ৱাঙাঙদুদা থৌঙম্বা মশাবু লাকশিঞ্জবা ঙম্রক্তে। মশাদু নীক্লকই, মশাবু ফাথজদুনা হংগদবা ৱাহং করিনো খঞ্জবা ঙমদে। অদুবু অরোইবা ওইনা মখোয়গী অপামবা অমত্তংদি ফংহন্নবা হোৎনবা চুম্মী নীংদুনা হংলুই,

"ৱাহৈদুগী কান্নবা করিনো?"

বিমোলাদি অদুক ফিংদে। মায়থোংদা চেৎনা মশাবু থাজজবগী মমিগা লোয়ননা হায়রকই,

"পাল্লিবসি পাঙ্গল থৌনা নত্তে, থম্মোয়নি। অচেৎপা থম্মোয়। মমাগী নাউয়োক্লুংদগী য়াওরক্লবা। মমাগী নীংথানা য়োমশিল্লক্লবা। ঐগী ইপুরোইবনা পাঙ্গল থৌনানা লমজিংলগা ৱাখলদা শাগৎখি নীংতম্বা। চুম্মী, মদুনা থম্মোয়দা খরমখৈ চুরম্বা য়াই অদুবু ৱাখলগা থম্মোয়গা মূন্নরকপদা ৱাখলনা হোইদুনা পুখি। ঐসু অশেংবা থম্মোয়শিংদুবু ঙাইরিবনি। ঐ ঙাইখিগনি। কনানা খঙনি ঐগী তম্পাক্তা শান্নরবসু।"

বিমোলা নুংহিক্লুরক্লে। তুংশিল্লুবা থৌনানা মশাগী শীংলিপূম্বা শীম্বুংনা চেল্লকই। মশাপূম্বা তপথবা ঙম্রক্তে। মদু পূন্নমক থৌঙম্বা অমদি সনাহলনা উই।

থৌঙম্বা ৱাহং অমখক পুদুনা লাকপনি। অদুবু ৱাহং কয়াগী পাউখুম মাগী থম্মোময়দা চেনশিল্লক্লি। ঙসিদি পূন্সীনা হংদুনা লাকপা ৱাহংশিংগী পাউখুম ফংবগুম মশাদু ফাওজে। মানা লৌশিং লাকপদগী হংলকপা ৱাহংশিংনা অমুক মাগী থম্মোয়দা ওৎ-নৈনরোই খল্লুবদা মহাক নুংঙাই। অঙকপা মোমোন মীনোক অমগা লোয়না য়ান্না চেকশিনবা ৱাঙাংদা হায়রকই,

"ঐ হনখ্রগে।"

সনাহল ইঙক ঙকই। খঙহৌদনা হায়রকই,

"নত্তে, নত্তে, করিগী অদুক হাথু-হাথু হনগদৌরিবনো? ঙসিদংদি ঐগীদা পোত্থাখো। নঙগী অপাম্বদুসু হায়রম্মু।"

খাম্বীনবসু লৈরে ঙসিদি। অদুবু থৌঙম্বা হনখিনবা শেম শারকই। মরেংবান্দা য়াল্লম্বা ওভরকোটতু চাউ-শাংলবা মশাদুদা ইম্বোক্লা চেকশিন্না লীৎশিন-লীৎশিন্না হায়রকই,

"ঐগী হনখিনবা মতম য়ৌরক্লে। নোংমা অমুক মফমসিদা নীংতন্না লেপ্পবা ঙম্বগী থৌনাদু পীবিয়ু।"

কনাসু থিংবা ঙমদনা থৌঙম্বা থোরক্লে থোঙ লাউনা হাংদোক্লদুনা। থোঙদু লোলশিল্লম্মী অমুক। সনাহল অমদি বিমোলা থোঙজিন্দা লেপ্পিবদু অরোইবা ওইনা য়েংলম্মী। মখোয়দা মীনোক অমা উৎলন্নগা থৌঙম্বা থাবল ফরবা অহীং অদুদা থোরক্লে। অহীংদুদা মানা চৎকন্দবা লম্বীদুগী পম্বুংফম খঙঙি থৌঙম্বা।

# তাবুনুংদগী

*( হৌজিক্তুগী চহী ৮৬ লোমগী মমাঙদা মণিপুরদা পাঙথোকখিবা য়াওশং কুম্মৈদা থোকখিবা থৌদোক অমগী পাও মতম অদুদা ফোঙলম্বা থাগী চেফাঙ ''য়াকাইরোল'' দা ফোঙখি। পাউ অদু ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি )*

"৫-৩-৩১ ইং পীচকারী নুমীৎত ৮১ নং লোরি তোংদুনা সাং শিংজমৈ লৈশাংথেম লৈকাইগী মীনি হাইদুনা নুপী লৈশাবী ১৯ গা নুপা পাখং অহুমগা হৰা চাবা চৎলি। নুমিৎ য়ুংবা মতমদা কোংবা কৈথেন্দা লাক্তুনা গাড়ী তোংলে, লৈশাবী ময়াম অদুগী মরক্তা অমদি মৰা লৈবা নুপীনি হাইনা তাই। গাড়ী তোংদুন কৌব্রু চিংখোংদা স্নাহললোক হাঈন কৌবা এলেকট্রিক শেমলিবা মফম অদু তানন চৎলগা গাড়ী থাদুনা চিং কাদুনা মান মান কোইরুরগা নুমিৎ তারগা কুমথরক্তুনা লোরি তোংদুনা হল্লকই। হল্লকপা মতমদা সাং খোংহামপাৎ বস্তি য়ৌরকপা মতমদা লম্বেলদ কার অমা ঙাইরমদুনা লোরিদগী হান্না তোংলম্বা নুপা পাখং অমনা নুপী লৈশাবী অমা থাংথদুনা কার অদুদা হাপকৎতুনা চেনখ্রে। লোরি অদুদা লৈশাবী ১০ গা পাখং ২ দা মঙাইহৌরে আন্দাজ পুং ৯ রোম তারে। নুৎতন বাজার য়ৌরবা মতমদা ভদ্রলোক খরগা উনদুনা মখোইগী ৱারি অদু তারগা অঈংবা মরক্ত অপাব ফীন লেনব, নিংথমদুন নিকপা অবস্তা থিবা অপংব, মীনা হাঈব য়ারবনী অমসুং অহল লমন ৱাখল ইতৌ তৌদনা থাদোক্লককপ মতৌ অদু খল্লুদন, ফীরোন খর পিরগা নয়ুম য়ৌরগা শোইদনা ফুরমগনি। ড্রাইভরগা হ্যেন্দিম্যানদদি ফুবিরক্কনুকো হাঈদুনা ফাগি তৌনদুনা ৱা ২ নোকনৈ। অদুদগী শিংজমৈ কৈথেল য়ৌরবা মতমদা নুপা খর ঙাইরমদুনা গাড়ী খামলগা ফুনরে। ড্রাইভর হাণ্ডিম্যান ফাওবা চৈ চারে। পাখং অমদি ৱাম্বদুনা তুখ্রে। অহিং অদুদা থানাদ পুখত্তুনা তৌনহৌই। কাল পুং ১০-১৯ তাবা মতম ওইগনি।

# মণিপুরী পাঙ্থৈ -পাউরৌ, পাউতাক

**২৯৭ অপাম নুংশি উরগা হায়ফম খঙদনা থকচানবা।**
– নুংশিবা মী উরগা হায়ফম– তৌফম খঙদবা।

**২৯৮ অপায়-অপায়বা পোৎনা থাবা**
– মিহুন ফত্তবা, শোক্কনি পনগনি খঙদবা।

**২৯৯ অপীকপা ককচেংনা চাওরবা তিম্বোক পুই।**
– ময়াম পুনশিল্লগা অচৌবা থবক তৌবা।
– অপুনবনা পাঙ্গল ওইবা।

**৩০০ অপীবগী মগুন অরৌবনা হাপ্পী।**
– তৌবিমল খঙবা।

**৩০১ অপুনবা অমনা পুবা।**
– ৱাখল অতৈ চোইথোক্তুনা তৌগদবা অমদা মিহুল ৱাৎপা মীদৌনা তৌবা।

**৩০২ অপুম অশা।**
– পৎলবা মনম নমথিরবা পোৎ।

**৩০৩ অপুনবনা পাঙ্গলনি।**
– লিংজেন মান্নবনা থৌনা ওই।

**খোমজিনবা**
**ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন**

# লাইরিক্কী উন্নবা

## লাইরিক ঃ মৈনা ৱায় তাংনা শম (শৈরেং, ২০১৫)

## অইবাঃ ৱাংথোই খুমন

## অফোঙবাঃ শাথৌলূপ, ইম্ফাল

## মমলঃ লুপা ১৫০/-

'মৈনা ৱায় তাংনা শম' হায়বা ৱাংথোই খুমন্না ইবা শৈরেং লাইরিক অসি য়াইবিরেন কম্যুনিকেসন্দা নম্বনি, লামায় ১০১ পাল্লি। মখূন্না বিন মঙাংনা য়েকপনি। লাইরিক অসি বাংলা অমদি মীতৈ ময়েক অনীমক য়াওরি। মতমগী অহোংবগী খোঙচৎনা শান্নরিবা খেন্নবা শক্লোনশিংগী মমি অমা মহাক্কী শৈরেংশিংদা শক্তম লাক্লবা হোৎনরি। কবিনা লাইরিকসিগী ৱাহৌদোক 'মতম পুন্সি মীওইবা' হায়বসিদা ইরি- "অঙকপনি মতম হায়বসিসু। মহাক্লা পূক্লিংগী অহোংবশিং। পামগনি থম্মোয় খঙদনা তৌররিবা খেন্নবগী খুদোলশিং। মতমগী তুরীনা শঙজিল্লক্লি পুন্সিগী মায়থোঙশিংদা তোঙান -তোঙানবা মচুশিং। ঙসিদি মচুশিং অসে হৈনদবা ফাওরক্লি। অদুবু তারিবদি তৌগদবনি। য়ানিংদ্রবসু য়াবা তাবনি। নৎত্রগা হৈনদবা অসিনা মরম ওইহল্লগা হেনবগী লম্বী অমা থিবা তাবনি।" মীওইবসি কয়াদা য়ান্না হোংলবনো? অদুবু অৱাবা লাংতক্লবগী লাঙ্গোইদগী নাম্থাকপদি ঙমদ্র। মরমদি শীংবা হেঙ্গৎলক্লগা খোইয়ূম লাইশিং অদুদগী অসুম অসুম লাপথোক্লরকপগুম তৌরক্লি। মশাগী হৌরকফম কাওনরক্লি। কবিনা হায়রি। "ঐখোয়বু শেম্বীরকপা মপুবু থাজবা ঙমদ্রবদি ঐখোয় মশেলদি কমদৌনা থাজনগনি।" কবিনা মতমগী অহোংবগী ঈচেলসিদা তিনখিদুনা কাঙলূপকী মচৎ-মনাৎপু থওইনদ্রিবসিনা কাঙলুপসিগী নাৎ মাঙখ্রগদ্রা হায়বগী ৱাজবদু ফোঙদোকই। করিগুম্বা জাতিসিগী নাৎনা মূৎখ্রবদি মতম অমদা মদুবু অনৌবা মীরোল অমনা অমুক থিরক্তুনা মদুবু হজিন্নবা হোৎনবা হায়বসি তারবায়বা থবক নত্তে ফোঙদোকই। মীওইবা হায়বসিনা ইশ্বরবু কাউথোক্তুনা মশাগী নাপল, মীহৌচাউবা, অঙম তান্নবা, নাপল অমদি অশাওবা হায়রিবা লোনচৎশিং অসিনা মীওইববু লৈখাদো চিংথবনি। মীওইবনা ফনা য়ান্না চাউখৎপগী লম্বীদা চঙশিল্লবসু ঈশ্বরগী মফমদগী খক লাপথোকপা য়ারোই। মরমদি তাইবঙপান হায়বসিদা মীওইবা অমদি প্রকৃতি হায়বসি থাদোক্লবা য়াদে হায়রি।

মতমগী অহোংবগী ঈচেলসিদা করিনো খঙদবা অমা লৈরি। মসি মীওইবনা খঙনবা ফনা হোৎনজরবসু খঙবা নৎত্রগা শোকউবা ইঙম ঙমদ্রি। অসিগুম্বা খঙবা ঙমদ্রবা মফম মতম হায়বসিনা পুন্সিগা শেত্তোক-খাইদোকপা ঙমদনা লিরি। মতমগী তলাদা শাৎলিবা লৈরাংশিং অদুবু মথৌ মশক খঙবশিং অদুনা মদুবু হেকচিল্লি। মায়পাকপৈ পজেং ফিরাল থেৎনবা অদুগা মতীং য়াওদবা মতীক -মথৌনা লৈবশিংনা মতমগী ঈচেল মথক্তা চরোৎকুম তাওথরি। থৌনা ফবশিং অদুদি মতমগী ঈচেন মনুংদা লৈরি লেমলৈ ঙাশিংনা। করিগুম্বদসু লীখৎলকই ফজরবা সনা খোংনাং পাম্বী ওইনা, মনা পূম্বদা য়োম্লকই- নুংঙাই-য়াইফরবা, মায়পাকপা অমদি নীংবা থুংবনা। মতম হায়বসিদি কনাদসু অচান মীরাই নাইদবা। অদুনা মতমগী মমল খঙবশিংনা মতম্বু মরুওইনা শীজিন্নরিবনি। অমুকসু কবিনা কল্পনা তৌই মতমগী খোঙচৎ মনুংসিদা শাগৎলিবা মঙলানগী কক্লিবমখৈ অদুম চোংখৎপা অদুবু লায়রবগী ৱাখলগী মঙলানদি অরেম্বদা তাই। কবিগী লাইরিক্কী মিংথোল পুরিবা শৈরেং অসিমক্তি তাইবঙ শেম্বা মপু মহাক্কী চাদা নাওদা ওইনা মীওইবনা তাইবঙপানবা অসিদা মৈনা ৱায় তাংনা শম মখা শমথরকপনি হায়বসি অইবগী থাজবনি।

**আর জে মীতৈ**

# শৈরেং

## ঐখোয়গী ভোট

*কামিনিকুমার*

গনতন্ত্র চৎপা লৈবাক্তা ভোট
প্রজানা মপু শকপা লৈঙাক
প্রজাগী মনাই খন্নবা ভোট
প্রজানা খনবা মীহুৎনা
লৈবাক্কী নিংথৌ
লৈবাক্কী নিংথৌনা প্রজাগী মনাই
তৌনবা প্রজাগী সেবা
প্রজানা খল্লি লৈবাক্কী নিংথৌ
লৈবাক ঙাকই প্রজাগী মীহুৎ নিংথৌনা।

হেক ঙাকপগা লৈবাক
শন্নদ্রে প্রজাগা, মীহুৎ নিংথৌগা
কাউথোকখ্রে প্রজাগী মনাইনি
লেপশিল্লি লৈমগী সনা মতুম মতুম
লেপশিল্লি লৈমগী মিংদা দুকান, লম, লৌ।

থৈদোকই মীরৈবাক্কী বেঙ্কতা শেল
তারকত্রে প্রজাগী খোল্লাউ
পঙশিন্নখ্রে না অনীমক
ফম হাপ্পী শেল খাউজাও খাউজাও
লৌশিনখ্রে মপু প্রজাদগী
খোঙগাওনরে ঐখোয় লৈবাক্তা গনতন্ত্র।
হে ভোট! হে ভোট!
নুংঙাইদকো নঙসে
ওইরক্লি অচৌবা কুম্মৈ অমা।
প্রজানা ঙাইরি নঙবু খৌরাংনা
চহি মঙা চুপ্পা।

লাকপগা ভোট হেক
ক্বা জর্দা, খৈনি, য়ু, ড্রগ, কানি, গঞ্জা,
মত্তা হেক ৱাৎহন্দে মীরেপকী য়ুমদা
অহল, নহা, লৈশাবী, খাক্তনা
খাঙই পুল্লপ -পুল্লপ চাক
পুনরি লাইফম শুনবা লাই খুম্বা।

খ্বাইদগী কনবা শক্তি লৈবা
ওইরক্লি চৎনবী অমা
অঙাং, নুপী, নহা, অহল,
লাইরিক হৈবা, হৈতবা
থিদনা খবর পাবা, পাদবা
য়ারি ঐখোয় পুন্নমক্না হরাউনা
চৎনবী অসি।

## পূকফবী ইমা মণিপুর

*লৌরিয়াম শান্তনি*

পূকফবী ইমা মণিপুর
মমাবু মশক খঙদবা
মচাগী মমা ওইরুবনা
ইমা নঙদি ৱারেদো।

শাফূ কন্না চেনশীলক্লে
অৰূবনা মতাইদা অনৈবনা ময়ায়দা
তাউথরক্লে অমোৎপা মপৈ-মপৈ
কোক্তা খূৎ হাপ্প মণিপুর।

ঈচেলবু ঙাক- শেন্দুনা লৈরিবা
তোবর্বান অনীসু ঙাকপা ঙমলক্ত্রে
ঈশিংগী ঈচেলনা হন্না- হন্না য়ৈবদা
নী খায়গদবগী ঙাইদুনা লৈরে।

তোবর্বান -থক্তা লেপ্তুনা লৈরিবা
চীংমী -তম্মী ইচীন-ইনাওশা
চোংথরসি ঈপাকসিদা তাম্বোক্লসি অনৈবা
মনীং তন্না চেনহল্লসি অৰূবা ঈশিং।

## নেতা

*নিংথেমপিশক ৱাইরোকপা*

মন্ত্রী, মণি মতুম
প্রজাগী সেবা তৌরকপা
মতম কুইর-কুইরগা
শীৎলম্বা মবুক কংলক্লে
নৌরম্বা মঙক লিংলক্লে।
মানা ভোট কাঙৈদগী
নুংঙাইনা পাল্লে লমদমসে
মৈ লাক্ত্রে কেন্দল থাল্লি
তোটি লাক্ত্রে লৈরগা থকই
অৱাৎপা অমত্তা লৈতরে।
আকাস্তা থোং শাদোকই
পতালদা কোইলাস থাজিল্লি।
চেদা শগুল তৌরগা
ফাইলনা শেঙ্গাও ওইনৈদো।
ঈশিং চাউবগী পীরকপা
রেডিওদা শৎ য়েম্বোকই।
ঈকং থোকপগী ফংলকপা
খবরদা লোইনা পীথোকই।
ফখ্রেদা নুপাদো
চাংদন্নিংঙাই লৈতেদা
নেতা হায়বা জাৎসিবু
মাদৌনা লোইনা তৌরিদ্রা?

## ঐখোয়গী মন্ত্রী

*থৌদাম নেত্রজিৎ সিংহ*

নোংমা
ঐগী য়ুমগী থোঙজিন্দা
লাক্লম্মী ইতে তেথরদুনা
চাক্লিবগুম ফিনিবগুম।
শোন্দুনা লৈরিবী ইমানদি হায়
কন্না কন্না খোংলিবসিবু কনানো
য়ূমথংনবগী হূইদুরা?
ঐনা ইমাদা হায়
ভোট য়ৌরক্লে
গণতন্ত্রদদি
শা হায়বা লৈতে মী হায়বা লৈতে
হৌদোংনা নোংমৈ পায়রকপসু য়াই।

ভেন্দর অমা
য়ু খৰূংদা ইরাক্লরি
নহা ময়ামগা লোয়ননা,
ভেন্দর ময়াম তূরেল ওইনা চেম্বরক্লি।
নকোংগী দ্রম কায়খ্রমাল্লে
শন্দুনা তারি
নোংঙাল্লকপা অমা ঙাইদুনা লৈরি।
অৱাবা ময়াম নুংঙাইবা ওম্বোকখ্রি
নংঙাইবা ময়াম থৌরীনা চিংখৎখ্রি।

খংমম মমশিলহৌই
খুন্তাক লানশিহৌই।
কুইরবগী তুং
সাইরেন খোংবা গাড়ী মখোল তাখি
খুঙ্গংগী লম্বীদা।
শোল্লবী ইমানা হংই
শজিবু চঙলবরা
নোংলৈ নুংশিৎলা?

## মচু ওনখ্রবা নঙগী থম্মোয়

*এন. মঙাললৈবী চনু*